## এডিটোরিয়েল

# অচুম্বা মীরেপ থাদোক্লবরা

মতম অমগী খ্বাইদগী করপ্টেদ ওইরবা লৈঙাক অমনা চহী কয়া অসি লিশাং শিংনা মণিপুরদা পাল্লগ্লে অমসুং মদুগী মখা তাবদা অফবা লৈঙাক অমা শেঙ্গা–থুমজা য়াওদবা মওংদা পান্নবা হোৎনগনি হায়রগদি মসি কদাইফাওবা য়ৌনা ওইথোকপা য়াগদগে হায়বা ৱাহং অসি মীয়াম্না হংনরকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হন্দক ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভা মীখলদা থাগৎলিবা মীওইশিং অসিনা খ্বাইদগী চুম্বা শেঙ্গা–থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা ওইহনগদৌরিবরা হায়বসি য়েংলুবদা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইরিবা পুন্সি মহিং অসিগী অওনবা অমা পুরক্ত্রিবমখে অওনবা অমত্তা লাক্কনি হায়বসিগী থাজবা অমত্তা লৈতে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা মতম মতমগী ওইবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী স্কিমশিং অদু চপ চানা মায়–পাক্লা পাঙথোক্লবা অদুম হোৎনৈ হায়বসি মীয়াম্নসু খঙই। অদুগা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনসু হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুগী মীয়ামশিং অদু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তাবা স্কিমশিং অদুগী শেনফম কয়া অমা অদুম্মক পীথদুনা লাকই। মণিপুরদদি হায়রিবা স্কিমশিং অদুগী শেনফমশিং অদু মতম চানা শীজিন্নখি হায়বগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীবা ঙমদবনিনা স্কিম পূম্নমক্কী শেনফম ককখ্রে হায়না সেন্তরদগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি। মসি অশেংবগীদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরুওইবা থৌদাং পুরিবা একজিক্যুটিবশিংগী মতম চানা থাফম থোকপা সার্টিফিকেটশিং থাদবদগীনি হায়না লৌবসু য়াই। মদুমকসু অচুম্বা অমনি। লৈঙাক অসিনসু অচুম্বা পার্টিগী মীরেপ অমা পুথোকপা হায়বসি থোকখ্রিবা মমাঙগী থৌওংশিং অমসুং মীয়াম্না থেংনরিবা কয়া অসিদগী য়েংলুবা তারগদি য়াম্না লূবা তানফম অমা ওইরগনি।

অমরোমদনা সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগীসু অশোয়বা অমদি মণিপুরগী প্রোব্লেম কয়া অসি নৈনদবা মওংদা ফোঙদোরকপা ৱাফম কয়ানা মরম ওইরগা মখোয়গী মীরেপশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী ৱাফমসিসু মীয়াম্না নৈনরিঙৈ তাঞ্জাগী ওইবনিনা হৌজিকমক্কী ওইনা পার্টিগী টিকেট লাউথোক্ত্রিঙৈদদি কাবা য়াবা মীয়ামগী মীহুৎ ঙাক্তা থাগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা অদুসু হায়বা ঙমদবা ফীভম অমদা পার্টিগী ফঙ্কসনরিশিং চমম্নবা ফীভম অমদা লৈরি হায়বসি ইলেক্সন মমাঙগী সিনারিয়ো অসিনা তাকই। হৌজিকসু মণিপুরগী লৈঙাক্কী মখাদা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম অসি সোলুসন অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রি। নাকল অমরোমদা বি জে পি নসু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতগী মতেং লৌরগা মণিপুর মীয়ামগী প্রোব্লেম অসি সোল্ব তৌগদবনি হায়বা ফিভম অমা নৎত্রগা ৱারেপ অমা পুরক্লবসু হোৎনদ্রি। হায়রিবা ফিভমসি লৈবনা মণিপুরদা করম্বা মখলগী লৈঙাক অমা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিদা লাক্কদগে হায়বসি মাঙজৌননা লাউথোকপা ঙম্বা অমদি ওইররোই। মীয়াম্না উরিবদি মথঙগী মীখল অসিগীদি ওপোজিসন অমদি রুলিং পার্টিগী হৌজিক চাউনা ঙাংনরিবা কাঙবু অসিনা এবসোলূট মেজোরিতি ফংবা হায়বসিদি পার্টিগী মঙ ওইরগা তোক্কনি। লাক্কদৌরিবা মীখলগী মতুংদা লৈগদৌরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুদি খন্নবগী শক্তি পুম্বা মীয়ামদা লৈবনিনা ঙসিগী হুন্নরিবা কয়া অসি মীয়ামদা থোইনা ৱাখল খন্নিংঙাই ওইগদবা মান্দে। হন্দক্কী মীখল অসিদদি শেল অমসুং শক্তিনা মীয়ামগী ৱাখল চিংশিনবা ঙম্লক্লোই। চীং অমসুং তম অনী অসিসু শোয়দনা পুশিনবা য়াবগী খুদোং চাবা অমা পুথোকপা য়াগদবা মীখল অমা হন্দক্কী অসিনা ওইহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সেন্তরদি তুমদনা মঙ মঙলে

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*য়ু এন সি না মতম শাংনা চখরিবা ব্লোকেদ অসি ষ্টেট সরকার অমদি সেন্ত্রেল সরকার অনীনা হাংদোকহনবীয়ু হায়না লমদমসিগী প্রজাশিংনা ফোঙদোক্লবনি। চুম্নগী প্রজা অমা ওইনা তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌবীনবা খঙহল্লুবতদা সেন্তরদা লৈরিবা সরকারগী মীহুৎশিংনা নাগা কাউন্সিলবু কিবদগী কারগোদা থাউ হোনবা হৌরক্লে। তশেংনা বি জে পি সরকার সেন্তরদা লৈরিবসিনা লমদম অসিগী প্রজাশিংবু কয়ামুক নুংশিনা লুনা খঙবগে হায়বসি তাক্লবা তাংলবা কারগোদা থাউ পুথোকপা হৌরকইবসি ঙক্তবা ঙমদে। অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা থাউশিং মীয়াম্না শীজিন্নবগী মহুত্তা মতম অসিদা অতাংবা মখলগী থাউশিং শীজিন্ননবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লৌরিবা থৌদাং অসিদি নরেন্দ্র মোডিগী মতমদা মণিপুর প্রজাগীদমক্তা অথিংবা পীরিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী ব্লোকেদ নমখায়দনা নোংথক্তা পুরকইবনি। অদুবু দল অমগীদি নহান্না লুচিং ফীদা ফমহনখিবদগী চহী ১৫ সাশন পায়রক্লবা লৈঙাক্কী কোক অরিবনিনা ঙাংলিবসি মীখলসিদা খোংলগা খঙগদবনি। লমদমসিগী সরকারদা প্রজাশিংনা ব্লোকেদ হাংদোক্লবা শিনবীনবা হায়জরুবতনি অদুবু সেন্তরদা সরকারনা খঙহনবদগী মন্ত্রিদগী খোংমী লান্মী লেপ্পা লৈতনা থাজিল্লকপগী পাউ ফোংলিবনি। হৌজিক্তি লমদমসিগী প্রজাশিং ঙকপনসু থেংলে কিবনসু হেল্লে। চুম্না নাগা মিংসিদা পামজবা কয়া অমনা শেমগৎপা চমজবা প্রজাশিংগী খুৎপুনি খল্লুবসি মোডিগী সরকারনফাও কিবা খুৎপু ওইরগ্লে। মণিপুরদা নাগা কৌবা অমত্তা লৈতে। নাগাগী লোল ধর্ম্মা লৈতে। মশাগী পুৱারী লৈরিবদি কবুই, তাংখুল, মরিং হায়না কাংলূপ মচা মচা লৈবশিংগী মনুংদা লৈঙাক্লা মশক খঙলবা মণিপুরগী ট্রাইবেল কম্যুনিতি ৩৩ অদুনি। মদু নত্তবা অমত্তা মণিপুরগী পুৱারীগা খুৎশম্নবা মীওই কাঙলূপ নত্তে। মশামক নাগারা হায়না হংলুবদা অচুম্বা পাউখুম অমত্তা ফংলরোইদবা মণিপুরদা পোকপা ফুরুপ অমনা তাল্লিবা দাবী অদু পীফম থোকপরা হায়বসি ঙসিদি য়াম্না ফোংলবা ৱাফম অমা ওইরবনি। মণিপুরদবু নাগাশিংগী দাবী তৌনবা মফম লৈবরা হায়বসি য়েলহৌমীশিংনা হেন্না খঙফম থোকপনি।*

***অদোমগী,***
***এম কে খুমন***
***ইম্ফাল***

# মণিপুরদা শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোকপগী ফীভম

লাইশ্রম পুশিল্লা অমসুং এ কে চাওহান নেস্নেল ডাইরি রিসার্চ ইন্সটিট্যুট, করনাল

ভারতকী শেন্মীৎলোনদা শঙ্গোমগী পোৎথোক্লা (দায়রি) অচৌবা মফম অমা কল্লি। মসি ফৌগী পোৎথোক্কী হেক মথং অনীশুবদা লৈবা লৌউ– শিংউগী পোৎথোক্লা মরি লৈনবা অচৌবা শিনফম অমা ওইরিবশিননি। মসিনা গ্রোস নেস্নেল প্রোদক্ত (জি এন পী) তা অচৌবা শেনফম লাকহল্লি। শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোক্লবগী থৌরম পায়খৎপা হায়বসি ভারতকী শেন্মীৎলোন শেমগৎ–শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অমদি শীন্মী কয়াদা থবক পীবা, খুঙ্গংগী ইমুংশিংদা অমদি লম লৈজদবা লৌমীশিংদা থবক শুফম পীবা অচৌবা শিনফম অমনি। ইং কুমজা ২০১৩–২০১৪ গী ওইনা শঙ্গোম পুথোকপগী চাং শিংথাবা য়ানা ৱাংখি মসি মেত্রিক্ত টন ১৩৭.৬৯ নি অদুনা খুঙ্গং লমদমগী মীওই মিলিয়ন ৭০ গী খাঙউথক্কী শেন্থোক লন্মী ওইবগী মরুওইবা লন্মী ওইরি। চহীদা চাংচৎ ওইনা হেনগৎলিবা শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোকপগী চাং অসি ৪.১৮ নি মসি মালেমগী ওইনা শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোকপগী চাং ২.২ গা য়েংনবদা লেপ্তনা হেনগৎলক্লিবা মশিংগী চাং য়েংবদা ফংবা অফবা খুদমনি (ইকোনোমিক সরভে ২০১৪–২০১৫ ) । শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোকপগী অওনবা খোঙথাং অমা শেম্নবা লিংখৎখিবা দায়রি কোওপরেটিভ মুভমেন্ট অসিনা মালেমদা ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা খ্বাইদগী মাংজিন থাবা লৈবাক ওইরি।

**মণিপুরদা শঙ্গোম পুথোকপগী শিনফম (দায়রি সেক্টর ইন মণিপুর)ঃ**

মণিপুরগী লৌউ–শিংউগী শিনফমসি কাঙলোনগী মপান য়াম্না ৱাংনা তাংবা মচাক নেম্না থদবা পোৎথোক নেম্না পুথোকপা লম খজিক্তং লৈজবা ফিভমগী শিনফম ওইরি। মরু মহে মরোংনা নম্না থাবা লৌউ–শিংউগী শিনফমদা ময়ান লৌউ মিক্স ফার্ম্মীংগী কাঙলোন অমসুং অহিংবা থৱায় (লিভস্টোক) শিংদা মপান তাংবা লৌউ শিনফম কাংলোন্না অতোপ্পা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগী কান্নরবা পান্বেনি। শঙ্গোমগী পোৎথোক নেম্না (য়ামদনা) ফংবা মীনসু য়াম্না চান্নদবা ঐখোয়গী চাবা থকপগী হৈনবী অসিনসু মরম অমা ওইরি। অদুম ওইনমক পুন্সি মহিংদা অহোংবা লাকপা, শেল–থুমগী ফিভমনা ওইহল্লকপা শেন্থোক লৈবা পুন্সি অমা ওইরকপদগী লমদমসিদা শঙ্গোমগী পোৎথোক পাম্নরকপগী চাং হেনগৎলক্লি। লমদমসিনা চহী চহীগী ওইবা শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোকপদা তপ্পা তপ্পা হেগৎলক্লি।

অদুম ওইনমক মসিগী অফবা লোৎতুনা লৈরিবা পোতেনসিয়েলদি মণিপুরনা ফংনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চংখিগনি। মীয়াম্না শঙ্গোম অমসুং শঙ্গোমগী পোৎথোক চান্নরিবসি ষণগী শঙ্গোম ঈরোই শঙ্গোম, হামেং শঙ্গোমনি। মসি মীয়াম্না পান্বা ৱাৎলি অমসুং চাবসু ৱাৎলি।

**মাং চংশনগদবা লন্মী (দা ব্রে ফোরর্বদ)ঃ**

মণিপুর মুকসন (ক্রোশব্রেদ) গী মশিং য়াম্না লোইদুনা শঙ্গোমগী পোৎথোক হেনগৎহনবা য়াই। শঙ্গোম পুথোক্লিবা লৌমীশিংবু লৈঙাক্লা মতেং ফজনা পীগদবনি মসি, শেল ওইনা অমসুং পাউতাক ওইনা, পীদুনা মখোয়না চাথোক হেন্না পুথোকপ ঙম্বা মমা চারা (ষণবী) লৈবা ঙমহন্দুনা চাথোক হেন্না পুথোকহনগদবনি।

য়োনবগী হিরমদসু শঙ্গোম পুথোকপা লৌমীশিংনা শঙ্গোম খোমজন্দুনা থম্নবা মতিক চানা মফম লৈজদবদগী, পুথোক পুসনগী অৱাবা লৈবা অমসুং কুইনা থম্বা য়াবগী থৌরাং লৈজদবা, পুন্নমকসিনা শঙ্গোম য়োনবা ফৌমাই চাবা ময়াই লেপ্পশিংনসু মখোয়বু লাকথুবী অদুগা ফংফম থোকপা মমলসু ফংবা ঙমদে। শঙ্গোম পুথোকপা লৌমীশিংগী এস আই জি (সেল্প হেল্প গ্রুপ) শেম্বা, কোওপরেটিভস, ফার্মার প্রদুসর কম্পেনিশিং শেম শারগা থবক পায়খৎপনা অৱাবা খরদং ওইরবসু ফগনি। দা মণিপুর মিল্ক প্রদুসর কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন হায়বসি মণিপুরগী অমতা ঙাইবা য়ুনিয়ননি। য়ুনিয়ন অসিনা পীবা দাতাগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন অসিদা খুঙ্গংগী থাক্তা দায়রি কোওপরেটিভ শোশাইতি ২২৫ না মসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌই। মসিনা মতম মতমগী ওইবা কান্নরবা পাউতাক কয়া পীরি। শাগী মশা মউ ফনা থম্নবগী পাউতাক হকশেল কাঙলোন, মসিগী লুপলোইচাশিং দা ৱাপাউ তেংবাংশিংশু পীরি। ৱায় ভি য়ু মিল্ক প্রদুসর কোমপেনি লিমিতেদ হায়বা য়ুথ ভোলনতিয়ার য়ুনিয়ন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত অসিসু কমপনি এক্ত ১৯৫৬ কী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা শঙ্গোম পুথোকপা লূপ অমনি। মসিনা সার দোরাবজি তাতা এন্দ এলাইজ ত্রস্টনা পীবা শেন্থংগী মতেংনা শঙ্গোম শেম শাদুনা থম্নবা মফম অমা শারে। ৱাকচিং (জনুৱারী) ২০১৪ দা থৌরাং অসি মপুং ফানা চলাইদুনা থবক হৌরি। মসিদা শঙ্গোম লিটর ৫০০০ চনবা কোল স্টোরেজ অমসু য়াওরি।

মসিগুম্বা লৌমীশিংবু অপুনবা খুৎপু অমা শাগৎতুনা থৌপাংবনা মীয়ামদা কান্নবা য়াম্না পী। মসিনা শেন্থোক লৈনা শেন্মীৎলোন শাগৎপদা মতেং পাংই অমসুং থবক পীদুনা লাইরবগী পনখৈদা লৈরিবা খুঙ্গংগী মীয়াম্বু শঙ্গোম পুথোকপগী থবক্তা হৈশিংনা মায়পুনহন্দুনা অমসুং হৈশিংনা পোৎথোক য়োন্দুনা লৌমী মচাশিংগী অৱাবা পুন্সি খরদং ওইরবসু শেন্থোক লৈনা হিংহনবদা মতেং পাংলি। ককনিংঙাই লৈতনা লৈঙাক (গোভরমেন্ট) নসু শঙ্গোম পুথোকপগী হিরম অসিসু হেন্না ফগৎহন্নবা লেপ্টনা হোৎনরি মসিগী শরুক অমা ওইনা শঙ্গোম পুথোকপগী মখল কয়াগী থৌরাংশিং আই দি দি পি, ইন্টেনশিভ কেতল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আই সি দি পি) গী থৌরাং কয়া পায়খৎলি অদুবু স্টেতিসতিক্সনা হৌজিকফাও শিংথাবা য়ানা পোৎথোক কয়া পায়খৎলি পোৎথোক পুথোকপগী থাক অদুদি হায়বা ঙমদ্রি। অদুনা মসিগী তৌবাং ঙম্বা মতিক মায়ইদু হেক লোইনা কোনশনবা ঙমদ্রিমখৈ দায়রি সেক্টর অসিনা অশাংবা লন্মী অমা চৎপা তারি। হিরমসিদা দায়রি কোওপরেটিভস অমসুং পোৎথোক পুথোকপা কম্পেনিশিংনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি।

**ৱারোইশিনঃ**

ইন্দিয়ান দায়রি সেক্টর অসি অশাংবা লন্মী অমা লাক্লে অমসুং মালেমদা ইন্দিয়াবু মরুওইবা শঙ্গোম পুথোকপা লৈবাক অমা ওইহল্লে। মসিদা দায়রি কোওপরেটিভস শিংনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি। তৌইগুম্বসুং দায়রি কোওপরেটিভস অমসুং প্রদুসর কম্পেনিশিংগী মাই পাকপদি লৈবাকশিন থুংনা শন্দোক্লা তাক্তে। মরুওইনা মণিপুরগুম্বা স্টেটতদি দায়রি সেক্টরগী মতিং লৈবা তৌ ঙম্বসু লোইনা খঙনদ্রি। লমদমসিদা শঙ্গোম য়োনবগী থবকসি নিংথিনা শেম শাদবা খুৎপু নৎত্রগা লৌমী মশানা তৌরি। শঙ্গোম খোমজন্দুনা থম্নবা থৌরম থৌশিল কাঙলোন ফগৎহনবা, পুথোক পুশন তৌবা, শেম শাবা, হাঞ্জনবা মমল লেপ্পা অমসুং দায়রি কোওপরেটিভসশিংগী খুত্থাংদা য়োনবা মসিনা শঙ্গোম পুথোক্লিবশিংনা মখোয়গী পোৎথোক্তু য়োনবগী চান্নবা মমল ফংবা ঙমই। লৈঙাক্কী অফবা মতেংগা লোয়ননা অমসুং অখঙ–অহৈগী ৱাপাউগা লোয়ননা শঙ্গোম পুথোকপা লৌমীশিংনা মখোয় মশা মশাবু শঙ্গোম পুথোকপা প্রদুসর কোমপেনিগী লূপলোই ওইনবা শেম শাজবা ঙমহনবগা লোয়ননা প্রদুসর কম্পেনিগী লুপলোই অমনা ফংবা খুদোং চাবদু চপ চানা ফংবা ঙমহল্লি। খোঙথাংশিংসিনা তশেংনমক মতম মতমগী ওইনা মণিপুরদা শঙ্গোমগী পোৎথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংই। অতেনবা মতমগী মনুংদা স্টেট অসিনা শঙ্গোমগী পোৎথোক মীরমদা থাদোক্তুনা অহেনবা শেনফম তানশনবা ঙমগনি।

# মণিপুরদা চান্নগদৌবা অফবা ষণ খনবা

ডা. ৱাই বীরহরি সিংহ

মণিপুরদা চান্নগদবা অফবা ষণ খনবা অসি য়াম্না তঙাইফদে, চীং–মান অমদি তম্পাক্কী ফীভম অমদি নুংশিৎ–নুংশা, অইং–আশাগী চাং কয়া য়েংলগা চান্নগদবা ষণ খনবা ফৈ। ভারতকী মফম অতৈদা অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণ মখল কয়ামুক লৈ। মখোয়শিং অদুদি রেড সিন্ধি, সহিৱাল, হরিয়ানা, থারপারকর, কনকরেজ অমসুং গীরনচিংবনি। অসি নত্তবা অতৈ–অতৈ বীদেসি কয়াদগী অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণ কয়াসু ভারত্তা ফংই, অদুদি জরসি, হোলস্টেন–ফ্রেসিয়ান, রেড দান অমসুং ব্রাওন সুইজ নচিংবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ভারত্তা ফংবা অমদি বীদেসিগী ষণ মখলশিং অসিদগী মণিপুরগী ভেটেরিনরি বীভাগনা চহী কয়া চাংয়েংবদগী খংবা ঙম্লে মদুদি মণিপুরগী লমসিগী নুংশিৎ– নুংশা, অইং–অশাগা চান্নবা ষণ মখলদি রেড সিন্ধি অমদি ভারতকী ৱাংমদগী পুশল্লপা জরসি হায়বা ষণ মখলশিং অমসুং হোলস্টেন ফ্রেসিয়ান হায়রিবা ষণ মখলশিং অসিনা মণিপুরদা খ্বাইদগী চান্নবা ওইরে। ষণশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মওং মতৌ অমসুং ফীভমগী মরমদা উত্নুনা তাক্লি।

**রেড সিন্ধিঃ**

ষণ মখল অসিগী হৌরকফমদি পাকিস্থানগী করাচি অমদি হায়দ্রবাদ লমদগীনি অদুগা হৌজিক্তি ভারতকী মফম অয়াম্বদা ফংলে। ষণ মখল অসি শঙ্গোম থোকপতা নত্তনা শম্পোৎ খোয়নবা অমদি গারী চিংনবদা য়াম্না পাম্লে, মরু মনিংথিনা ৱাংনা লৈবনা পোপুনচিংবা হাপ্পদা খুদোং চায়। মপাঙ্গল কল্লি, মশা নিংথিনা চাওই, মচুদি অয়াম্বনা ঙাংনা মুরৈনে, মরাইবক তোংই অমসুং পাকই। মচি থোয়না শাংদে, মিৎপান থাই, মনা শাংতক তৌই, মথা পাকই অমসুং চৌন্থে। মমৈ শাংই অমসুং মমৈ মতোন মুই। চাওরাক্লা মশাগী অরুম্বা কেজি ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবা ওই। শঙ্গোমগী খোমথোক্তি নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ২০০০ দগী ২৫০০ ফাওবা থোকই। রেড সিন্ধি ষণসি মবুক তপ্পা, খাংবা কনবা, অইং–অশা খুদিংমক্তা নিংথিনা হিংবা ঙম্বা, মণিপুরদা য়াম্না পাম্নবা ষণ মখলনি। ষণ মখলসিগী মওং মতৌ লাবা অমসুং অমোমগী ফোটো উৎতুনা তাক্লি।

**জরসি ঃ**

ষণ মখল অসি ইংলেন্দগী জরসি কৌবা ইথৎ অমদগী হৌরকপনি। জরসি ষণ মখলসি মণিপুরগী অমদি ভারতকী মফম অয়াম্বদা য়াম্না পাম্না লোইনৈ মখোয়সি শঙ্গোম য়াম্না থোকপী মখলগী ষণ ওইবনা ভারতকী অমদি মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরম্বা ষণ মচা ধার শন্দোক্নবা হোৎনবদা য়াম্না মাই পাক্লে। জরসি ষণগী ময়াম্না পাম্নবা মগুণ খরা লৈ। মদুদি ষণবীশিং থোইনা পংচাও চাওদবা, থুনা মপুং ফাবা, চহী অমা মখায় দগী অনি হেক শুবগা মচা ধার লৌবা য়াবা, মচিঞ্জাক থোইনা য়াম্না তিংদবা, শঙ্গোম য়াম্না থোকপা, মতম শাংনা শঙ্গোম শুম্বা য়াবা অমসুং ভারত অমদি মণিপুরগী অইং–অশাদা ফজনা হিংবা ঙম্বা মখলনি। অশেংবা ষণগী মচুদি ঙাংলৈনবা নৎত্রগা ৱাওথাংনবা ওইগনি। করিগুম্বদা অঙৌবা মপাক্লা মনা ময়াদা, শেগ্রাকতা নৎত্রগা মখোয় ময়াদা লাঙবা উগনি। মরুম য়াওদে, মমাই কোইদানৈ। মমিৎ তোঙই অমসুং লঙই, মঙক শাংতক তৌই, ময়াঙলেন তিংই, মনিঙগী মখোঙ অনী ফাক্তক তৌই। জরসি ষণবীদি কিলো ৩৫০ রোম লুমই অদুগা লাবনা কিলো ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবা লুমই। শঙ্গোম খোমথোক্তি নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা থোকপা য়াওই। জরসি ষণগী লাবা অমদি অমোমগী চিত্র উৎতুনা তাক্লি।

**হোলস্টেন–ফেসিয়ানঃ**

ষণ মখল অসি মপাল লমদগী পুথোরকপা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণ মখলনি। হৌজিক মণিপুরদা মীশিংনা য়ামনা পাম্না লোইখৎনরক্লি। ময়াম্না ষণ মখল অসিবু ফ্রোসন হায়নসু খঙনরি। ষণগী মচুদি মহৌশানা অমুবদা অঙৌবা মপাক্লা লাংই। মপুংফাবা ষণবী অমগী অরুম্বসি কিলো ৫০০ দগী ৬০০ ফাওবা লুমই। মচি অনীমক মমাঙলোমদা ইশাং–শাংদনা কোন্তক তৌনা হৌই। ষণ অসিগী হৌরকফমদি ইংলেন্ড অমদি হোলেন্ডদগীনি অদুবু ভারতকী মফম অয়াম্বদা ষণ অসি শঙ্গোম থোকপী অমা ওইনা য়াম্না পাম্না লোইখৎনরক্লি। শঙ্গোমগী খোমথোক্তি নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ৪০০০ দগী ৫০০০ফাওবা য়ৌনা থোকই। মখাদা ষণ মখল অসিগী লাবা অমদি অমোম অনীগী মওং মতৌ উৎলি।



মখোয় অসি থবক য়াম্না ফৈ, মরিংজেল লৈ। শম্পোৎ খোয়বা অমদি গারী চিংবদা মপা লৈতে।

**মণিপুরদা মহৌশাগী ষণবী অমদি ষণ লাবাঃ**

মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ষণ লাবা অমদি ষণবীশিংসু য়োকখৎপা দরকার ওই। মচিণপুরগী ষণ লাবশিংদি মশা মউ য়াম্না চেকশিল্লি হেন্না চাওদে। মচুদি অমুবা নৎত্রগা কোনাবী মচু ওইগল্লি। মচি থোয়না শাংদে, মমৈ শাংই অমদি মতোনদা চামোর ফজনা লৈ।

অমরোমদা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ষণবীশিংসু য়োকখৎপা দরকার ওই। ষণবীগী মওংদি পংচাও চাওদে, মবুক নোয়দে, চাবসু য়াম্না চাদে, শঙ্গোমসু য়াম্না থোক্তে। অয়াম্বদা লিটর ২–৩ দগী হেন্না থোক্তে। মশাগী মচুদি অয়াম্বনা অমুবী অমদি ঙাংলৈনবা ওইগল্লি। অদুবু শঙ্গোম খরা হেন্না থোকহন্নবা অমদি শঙ্গোমগী দরকার য়াম্না লৈরকপগী মতুংইন্না হৌজিক সাইন্সকী মতম অসিদদি মহৌশাগী ষণবী অসিদা খুৎশেমগী পান্থে শীজিন্নদুনা ক্রোস ব্রিডিং তৌদুনা অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণবী কয়া পুথোকপা য়ারে। মখোয়গী মওং ফোটো উত্তুনা তাক্লি।

**শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী শওং–শাদাঃ**

ষণবীগী মউনগী মতু অকুপ্পনা কুপশনবা, শিংনানবা ওইগদবনি। মমাই কোইদানবা, মচিনলোমদা লৌরোয়না হুইথবা অদুগা মচিনবান পাক্তক তৌবা, মমিৎ মনা–তরু–তরুবা, মচি তেন্তক তৌবা, চৎপদা মকোক থাঙ্গৎলপ্পা চৎপা, ময়াঙলেন শাংতক তৌবা ওইগদবনি। নিঙ্গোংগী শরু পাকপা, মনিংগী মখোঙ ফাক্তক তৌবা, মখোম চাওথোরক্লবগী কা মরাঙ কায়না লৈবা অদুগা মখোমগী খোমজিন মরি চাঙ চানা পানবা ওইগদবনি। মখোমগী খোমজিন মরিদগী তানা নৎত্রগা হেন্না পানবসু ফত্তে। মবুক মখা ওইরপ্পা শঙ্গোমগী শিংলি চাওনা লৈবা খনবীগনি। মঙক শাংতক তৌবা, মমাঙগী মখোঙ অনীগী শরু তোংতক তৌনা লৈবা, থবাক্কী শরু নোয়দবা ওইগদবনি।

শঙ্গোম থোকপী ষণবী খনবা মতমদা মশাগী শওং শদা য়েংবতা নত্তনা করম্বা মখলগী ষণ লাবগী ধারনো অদুগা মাবু হেক পোকপী ষণবীদুনা নোংমদা শঙ্গোম লিটর কয়া থোকখিবগে নৎত্রগা নুমিৎ ৩০০ নিদা পুন্না শঙ্গোম লিটর কয়া পীখিবগে হায়বনচিংবা রেকোর্ডনচিংবা য়েংলগা ষণবী খনবা য়াম্না দরকারনি। মরমদি ষণবীগী শঙ্গোম থোকপী চাঙ অসি মপাশা ওইরিবা ষণলাবা অমদি মাবু পোকপী ষণবীদুগী শঙ্গোম খোমথোক্কী মতুংইল্লি। মথক্তা শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী শওং–শদা উৎলি।

**মশা–মউ ফবা ষণবী খনবাঃ**

শঙ্গোম থোকপী ষণবী খনবদা, মশশ–মউ ফবা, লায়না চেন্দবা ষণবী খনবা য়াম্না তঙাইফদে। মশা ফবা ষণবী মওং মতৌসি মুন্না য়েংশিনবীগদবনিঃ– ষণবী অদু লেপ্পদা নৎত্রগা কুন্দুনা লৈবদা মরাই থাঙ্গৎতুনা শগুপ শায়দুনা, মমিৎ মনা তশিং তশিংনা লৈবা উগনি। মনা অনীমক তোয়না হুমগনি, মনাতোন শুমাঙ মতম অয়াম্বদা চোৎ চোৎ লাওনা লৈগনি। মশাগী মউন কুপ্লিবা মতু অপুম্বা লংনা লৈবা, পায়বদা য়াম্না শাদবা য়াম্নসু ইংদবা মওংদা লৈগনি। মশা ফবা ষণদি চিংবদা মঙক থাঙ্গৎতুনা নিংথিনা ফিভম মুর্ত্তি কায়দনা চৎপা উগনি, মমৈ চাঙ নায়না হায়গনি। মহৌশানা ষণগী মথীদি থোৎলি, য়াম্না কন্দবা নৎত্রগা মহী লাঙবা ওইরোইদবনি। মখোম খোমজিন মরিমক ইরায়–লায়না চিংথোক –চিংশিন য়াগনি অদুগা অকনবা অপোন্বনচিংবা লৈবা থেংনরোই। চাবোকফমদসু অকায়বা অশোয়বা লৈরোইদবনি।